ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা খোরিরোলগী মালেমগী লূপকী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা আর কে মেঘেননা পাউচে অসিগী সিনিয়র রিপোর্টর নোমিতা খোংবান্তবমদা মেমেন্তো খুৎশিন্নবা

ককচিং সুমাক লৈকায়দা দিষ্ট্রিক্ট স্কিল মেলা পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

লৈঙাক্কী থবকসিবু মরাং কায়না কৌরকখিদ্রা?
লামায় ৪

পুন্সি হায়বসি অফবা থবকশিং নুংতিগী পাঙথোকপদুনি
☛ লামায় ৫

মতম চানা থবক তৌরবদি খুন্নাই চাউখৎপদা মাঙজিল থাবা ঙমগনি
☛ লামায় ৬

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা কংলৈপাক লোইনশিল্লোন অপূনবা মরুপকী ২১শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশোরনা মনা অমসুং শকখঙচে লান্থোকপা



Vol. 46, Issue No. 308 | ইরাই, ফাইরেনগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, February 10, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## পোপিলানবু য়ুথ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) : মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা সেকমাই এ সীদা মীরেপ ওইখিবদা নত্তনা কোংগ্রেসকী মরু ওইবা থৌমী অমা ওইরকখিবা নিংথৌজম পোপিলানবু মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে। মসিগী মতাংদা পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রগী এপ্রুভেল মতুংইন্না পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) না ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না এম দি অবদুল হকিম অমসুং অভিনাস নাওরেমবুনা য়ুথ কোংগ্রেসকী ৱার্কিং প্রসিদেন্টশিং ওইনা খনখিবগা লোয়ননা নির ক্বাসিম এম এমবুনা জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইনা খল্লে হায়রি।

## সাপোনা গাড়ীগা ফোনগা মুলহৌরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) : মমাঙ চহী ২০২২গী অরোইবা শরুক্তগী নাগালেন্দগী অঙ্গামি ফুরুপশিংগী লূপ অমা ওইরিবা সাপোনা মণিপুরগী মাওগী মীয়ামদা থল্লকখিবা অথিংবশিং হৌজিক ফাওবদা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা ঙরাং অয়ূক পুং ১১.২০ রোম তারকপদা মাওদগীনা কোহিমা অমসুং বিসেমা য়াওনা খুজমা ফাওবগী মরক্তা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌবা মাওগী শাজৌবা খুলদগী কাইখোমাও কৌবা মীওই অমনা থৌবা ইকো ভেন (এন এল-০১/সী এ-৫২৭১) সাপোগী ভোলন্টিয়রনি চিংনবশিংনা ফাজিনখ্রে।

অদুম ওইনমক গাড়ী অসিবু থৌরিবা মীওই অসিদি ঙসি অয়ূক তেক্তা কায়দনা থাদোরকপদগী ময়ূমদা য়ৌরকখ্রে। অদুম ওইনমক মহাক্কী গাড়ীগা মোবাইল ফোনগদি মুলহৌরে হায়রি।

## ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ৮ হেন্না ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) : চথরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়নগী মনুং চন্না ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা তেংনৌপল পুলিসনা ইম্ফাল মোরে লম্বী পরিংদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা কার এ এস -০২/বি সী-৯২৩৮ খামদুনা চেক তৌরুবদা মীওই অমনা ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# অর্বান লোকল বোদি ১সুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংদা পীখিবা 'ক্যেরটেকর' শিং হৌজিকসু হিংলিব্রা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা তম্পাক্তনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) য়াওনা অর্বান লোকল বোদি (য়ু এল বি) ২৭ অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংগী টর্মশিং মপূং ফারদুনা লোইশিনখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না য়ু এল বি অমদি এ দি সীশিংদা লৈহনখিবা ক্যেরটেকর মেয়র, ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সন, ষ্টেন্দিং কম্মিটিশিং অমসুং ক্যেরটেকর কাউন্সিল্লরশিং হৌজিক ফাওবা হিংলিব্রা হায়বগী ৱাফম মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

নাকল অমরোমদা, মতম লোইখ্রবা য়ু এল বিশিংগী থবক থৌরমশিং পুনবা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (মাহুদ) না তোঙান তোঙান্না থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিগী ওফিসল অমদা পুহল্লকখিবা থবকশিং অদুসু হৌজিক ফাওবদা হিংদুনা লৈরিব্রা হায়বগী ৱাফমসু থোরক্লি।

অদুম ওইনমক মাহুদ লোয়শঙগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙান্না থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না আই এম সী য়াওনা য়ু এল বি ২৭কী এক্স মেয়র, এক্স চ্যেরপর্সন অমসুং এক্স কাউন্সিল্লরশিংদা পীরম্বা ক্যেরটেকরশিং অমসুং এ দি সীশিংগীসু হায়রিবা লোকল বোদিশিং অসিগী অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লবগীদমক মরী লৈনবা নোটিফিকেসন থোরক্ত্রিবা ফাওবদি অদুমক হিংদুনা লৈখিগনি হায়বগী ৱাফম লৈরল্লে।

য়ু এল বিশিং অমসুং এ দি সীশিংদা পীরম্বা ক্যেরটেকরশিংগী থবক থৌরমশিং ককথৎতুনা লৌথোকখিবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৯৩৫ ওফ ২০২২, ৬৩২ ওফ ২০২২, ৬৩৩ ওফ ২০২২, ৭০৪ ওফ ২০২২ অমসুং ৮৮০ ওফ ২০২২ মথং মথং ফাইল তৌনরকখি।

কোর্টনা য়ু এল বি অমসুং এ দি সীশিংগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং অসি লৌখৎতুনা মমাঙ থাগী ১৯দা খন্নরবা মতুংদা পীখিবা কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুংইন্না আই এম সী য়াওনা য়ু এল বি ২৭কী তোঙান তোঙানবা থাক্কী ক্যেরটেকরশিং অমসুং এ দি সীশিংগীসু লৈঙাক্না ককথৎখিবা ওর্দরশিং অদু চৎনহন্দনা থল্লকখিবশিং অদু হায়রিবা বোদিশিং অসিগী অনৌবা মীখল পাঙথোক্লবগী নোটিফিকেসন থোরক্ত্রিবা ফাওবদি মখা তানা শাংদোকখিগনি হায়না খঙহনখ্রে। লোয়ননা লোকল বোদিশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থবক তৌনবগীদমক মাহুদ লোয়শঙগী ওফিসল অমদা খূৎশিন্নবগীদমক থোকখিবা ওর্দর অদুসু কোর্টকী ওর্দর অসিনা চৎনহন্দনা থল্লক্লি হায়রি।

১২শুবা এসেমব্লিগী ৩শুবা সেসনগী অনীশুবা মীফম

# ফেব্রুৱারী ২১দগী কুমজা ২০২৩-২৪গী বডজেট ইষ্টিমেটস পুথোক্তুনা খন্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :

১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৩শুবা মীফম থা অসিগী ২দা গভর্ণর লা গনেসননা মহাক্কী এদ্রেস পীদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎতা গভর্ণরগী এদ্রেসপু থাগৎপগী মোসন পুথোক্তুনা খন্নরগা হাওসনা পাস তৌখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২১ ফাওবা এদজোর্ন তৌরকখিবা অদু নুমিৎ অসিদগী হৌরদুনা মথং থা মার্চকী ৩ ফাওবদা চৎলিবা কুমজা ২০২৩-২৪গী বডজেট ইষ্টিমেটশিং পুথোকপগা লোয়ননা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ২০২২-২৩সু পুথোক্তুনা সিট্টিং ১০ রক থমদুনা চত্থগদৌরি।

অহুমশুবা সেসনগী মখা তারকপা অনীশুবা সেসনগী শরুকশিং অসিদা লৈগদবা বিজিনেসশিংগী মতাংদা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তারকপদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী) গী মীফম পাঙথোকখি। মীফম অসিনা খন্নরবা মতুংদা লেপথোকখিবা বিজিনেসশিংগী মতুংইন্না থা অসিগী ২১দগী হৌরদুনা চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী বডজেট ইষ্টিমেটশিং পুথোক্তুনা খন্নবগা লোয়ননা পাস তৌনবা বিজিনেসশিং লেপথোরকপনি।

ঙসিগী বি এ সীগী মীটিংনা লেপখিবগী মতুংইন্না অহুমশুবা সেসনগী অনীশুবা শরুক্কী অহৌবা নুমিৎকী বিজিনেসশিংদা অহানবদা ৱাহং পাউখুমগী বিজিনেসশিং লৈরগা হাওস অসিগী কম্মিটিশিংগী রিপোর্ট লৈরগনা নুমিৎ অসিদা পুথোক্কনি। মথংদা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস-২০২২-২৩ হাওসতা টেবল তৌবগা লোয়ননা চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী বডজেট ইষ্টিমেট পুথোক্কনি।

অহৌবা নুমিৎসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুথোক্কদবা বিলশিং লৈরবসু হাওসতা পুথোক্কনি। মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২২দগী হৌরদুনা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস ২০২২-২৩গী মতাংদা হাওসতা জেনরেল দিস্কসন পাঙথোকপগা লোয়ননা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টসকী মতাংদা হাওসনা অয়াবা পীবা নৎত্রগা দিমান্দ অসিদা শেমদোক শাদোকনীংবা অমদি হাপচিনবা নৎত্রগা লৌথোক্লিংবা লৈরকপা য়াওরগসু খন্নগনি অদুগা অহৌবা নুমিৎতা পুথোকখিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী জেনরেল দিস্কসন হৌগনি।

অহুমশুবা নুমিৎ থা অসিগী ২৩দগীনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙশিংগী মনুংদগী অককুবা লোয়শঙশিং খরা খরা পুনশিন্নদুনা শেনবা চহী অসিগীদমক পুথোরকপা দিমান্দ ফোর গ্রান্টসকী দিস্কসন অমসুং ভোটিং পাঙথোক্কনি। লোয়ননা নুমিৎ ১০নি চূপ্পা সিট্টিং ১০ লৈদুনা চত্থগদবা অনীশুবা শরুক্কী মীফমদা মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর ১) বিল, ২০২৩ অমসুং নম্বর ২ - বিল, ২০২৩ পুথোকপগা লোয়ননা খন্নরগা হাওসনা পাস তৌননবা হোৎনগনি। অদুগা চত্থগদবা সিট্টিংশিং অসিগী মনুংদা হাওসকী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরগী অয়াবা মতুংইন্না মেম্বরশিংগী মরক্তগী প্রাইভেট মেম্বরস বিজিনেসশিং য়াওনা অতোপ্পা বিজিনেসশিং হাওসতা লৈরক্লগসু মদুগী মতাংদা মেম্বরশিংনা খন্নগনি।

মীফম অসিগী মনুংদা ওপোজিসন অমসুং রুল্লিংগী ৱাফম নত্তনা মেম্বরশিংগী মরক্তগী লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংনরকপগা লোয়ননা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং পুবা মিনিষ্টরশিংনা মদুগী পাউখুম পীবগা লোয়ননা কোল্লিং এটেন্সন মোসন, শোর্ট দ্যুরেসন দিস্কসননচিংবগী বিজিনেসশিংসু হাওসকী কন্দক্ট ওফ বিজিনেস অমসুং রুলস ওফ প্রোসিজরশিংগী মনুং চন্না পাঙথোক্লগনি হায়না পান্নরি।

# চীফ মিনিষ্টরনা মীশিং খ্বাইদগী য়ামদবা কোম ফুরুপকী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা চাওখৎ থৌরাংগী মরমদা খন্নখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা কুমজা ২০২১দা পাঙথোকখিবা সেন্সসকী মতুংইন্না শুপ্পন্তগী য়ূম ৯৭ খক লৈদুনা অপূনবা মীশিংনা ৫৯০ খক্তনি হায়রিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৮৮ লোম লাপ্পনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সাইতু গম্ফাজোল সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈরিবা ইচুম কৈরাপ খুলগী কোম খুঞ্জাশিংগী লুচিংবশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ফুরুপ অসিগীদমক চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং খন্নখ্রে হায়রি।

ইচুম কৈরাপ কোম খুলগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা খন্নবগী ৱাফম চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা থাগৎতুনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না ঙসি উন্নখিবদা কোম য়ুনিয়ন মণিপুর (কে য়ু এম) গী লুচিংবা মীহুৎশিং য়াওখি। মখোয়গা ফম্মিন্নদুনা অপীকপা ফুরুপ অসিগীদমক করি করম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

ফুরুপ অসিগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানখিবদা ফুরুপ অসিগী কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বেরকাপ লে রৈজু ফেষ্টিবেল অসি ইচুম কৈরাপ কোম ভিলেজদা মহৌশাগুম্না পাঙথোকপগী ৱাফমসু খন্নখি হায়রি।

লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা ফুরুপ অসিগী কুম্মৈ অসি মপূং ফানা অমসুং মায় পাক্না পাঙথোকপা ওইরসনু হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

## ত্রক ৫দগী য়ুরিয়া বেগ ১৪৩৫ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুরদগী ম্যান্মারগা তাইনরিবা মোলচাম ভিলেজ রোমদা টাটা ত্রক মঙাদা পুন্না য়ুরিয়া বেগ ১৪৩৫ হাপ্তুনা পুশিন্নবা হোৎনরে হায়বা পাউ অমদগী শুগনু পি এসকী ও সীগী সুপরভিজন মখাদা এস আই এম মিনবন্দনা লুচিংবা টিম অনীনা সেরৌ নিংথেম হিদেনগী ইম্ফাল তুরেল মপানদগী ঙসি নোংয়াই মতুং পুং ১দগীনা ৩ ফাওবগী মরক্তা টাটা ত্রক মঙাদগী য়ুরিয়া বেগশিং অসি ফাগৎলে হায়রি।

ত্রক অমমমদা মথংশিংনা য়ুরিয়া বেগ ২৭০, ৩০০, ৩১০, ২৮০ অমসুং ২৭৫ হাপ্তুনা পুশিন্নবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## পোপি পান্থীশিং লেপ্তুনা য়ান্থৎলি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়ন ২.০গী মনুং চন্না পুলিস অমসুং কম্বাইন্দ ফোর্সনা পোপি পান্থীশিং লেপ্তুনা য়ান্থৎলকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎনা লুচিংবা কম্বাইন্দ টিমনা সাইকুল পি এসকী মনুং চনবা টি গোলজাং অমসুং পংজাং খুল অনীগী মরক্তা লৈবা চীংমাইগী একর ২৮ লোমদা থারম্বা পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

কম্বাইন্দ টিম অসিদা মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজগী ট্রেনি পর্সনেলশিং, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং সাইকুল ...মখা লামায় ৩ কলম...

# কখোকপগা লোয়ননা করিগুম্বা খরা তৌরম্নবগী ৱাখলনা মাঙদা থম্বীয়ু: প্রোফেসর রাজমুহোন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : ঐখোয়না ইমা লৈবাক ইরমদম নুংশিবা, ইমা লৈবাক্কীদমক কখোকপগা লোয়ননা করিগুম্বা খরদি তৌরমগে হায়বগী ৱাখলনা মাঙদা থমদুনা হোৎনরবদি ঐখোয় নোংমদি শোয়দনা মালেমগী চাওখৎ লম্বীদা মাঙজিল থাবা ঙল্লক্কনি।

ৱাফম অসি ঙসি ককচীংদা লৈবা গ্রেস কোট্টেজ একাদেমিদা পাঙথোকখিবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) গী 'ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি' হায়বা একাদেমিক কেম্পেয়ন হৌদোকখিবগী ১৭শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরমদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোনননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ময়ায় লোয়শঙনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোন, সোসল সাইন্টিষ্ট অমদি একাদেমিসিয়ন ডা. ধনবির লাইশ্রম, গ্রেস কোট্টেজ একাদেমি, ককচীংগী একাদেমিক ইন চার্জ ঈ রোনি অমদি মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) ময়ায় লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট মাইবম জুলেশ খুমননা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা প্রোফেসর এন রাজমুহোননা মখা তারদুনা হায়, মণিপুরদা তৎদু লৈতাদবা ফীভম কয়া অমা লাকখ্রে। মীওইবগী ৱাখল হায়বসি অহোংবা নাইবা ঙাক্তনি। মতাং মতমগী মতুংইন্না শোয়দনা অহোংবা লাক্কনি। হৌখিবদি হৌখ্রে। মতম অমদা লাক্কদৌরিবা মণিপুর অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা ঐ ঐনা চান্নগদৌরিবা শান্ন-খোৎনবা ওইগেরা, কলচরগী লম্‌দবু ওইগেরা হীরম অদুনা খূৎলায় অমা ওইরগা কখোকপীদুনা হোৎনরবদি মদুগী মহয় অদু শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা সোসল সাইন্টিষ্ট অমসুং একাদেমিসিয়ন ডা. ধনবির লাইশ্রমনা হায়, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## কম্মিসনগী মেম্বর চার্জ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৩দা সেক্রেটরিএট লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসনশিংগী মতুংইন্না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বর অমা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবা মতুং ঙসি কম্মিসন অসিগী মেম্বর ওইনা খনখ্রবা কাংজম খগেন্দ্রনা মহাক্কী মেম্বরগী ফমদা জে ইন্ট তৌখ্রে।

মসিগী মতাংদা মহাক্কী জোইন্নিং রিপোর্ট কম্মিসনগী সেক্রেটরি য়াওনা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, স্পিকর, লো মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিনচিংবদসু কোপিশিং পীখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, কম্মিসন অসিগী এক্টিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# ঐখোয় পূন্নমক তাশিন খোমজিনবা অমসুং লেংশিনমিন্নবগী মথৌ তারে : আর কে মেঘেন


ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : ঐখোয়গী শক্তম, মালেমগী শক্তমদা হাপচিন্নবা হোৎনবা য়াম্না মরু ওই। হৌজিক্কী মতমদা তাশিন খোমজিনবা, লেংশিনবা হায়বসি মথৌ তারে হায়না হান্না লালহৌলূপ অমগী চ্যেরমেন ওইরম্বা নিংথেমচা সনায়াইম (আর কে মেঘেন) না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা অপূনবা খোরিরোলগী মালেমগী লূপকী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা লূপকী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা নিংথেমচা সনায়াইমদা সর্টিফিকেট খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্ন বা উৎখিবগা লোয়ননা পাউমীশিংদসু শকখঙচে, লেংয়ান ফি অমদি মেমেন্তো পীদুনা পূক্লিং ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরমগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা শৈশকপা নোংমাইথেম পহারিনা শক্লম্বা ঈশৈ অমদি মরৈবাক নীংবা ঈশৈ কয়াসু খুদোল তমখিবগা লোয়ননা পলেম পন্থৌ কলচরেলনা পুথোকপা দ্রামা 'অপায়াও' উৎখি। লোয়ননা চীংঙাখম জষ্টিন খাঙেম্বনা ইংলিসকী শৈরেংসু লান্থোকখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা নিংথেমচা সনায়াইমনা হায়, লূপ অমখক নত্তবা লূপ ময়াম পুনশিন্নদুনা থবক থৌরম কয়া চঙশিন্দুনা পাঙথোকপা মতম ওইরে। ঐখোয়গী শক্তম কনবদা করম্না চঙশিনগদগে হায়বসি খন্ন-নৈনবগী মতম ওইরে। চিরবা তানফম অসিদা ৱাখল খনবা মীদি য়াম্না লৈরি। লৈরিবা লূপ ময়াম্না তাশিন খোমজিন্দুনা পুনশিন্নদুনা হোৎনবা মথৌ তারি। মরমদি লৈবাক্কী খুন্নাইগী ওইবা ৱাফম লাকপা মতমদা ৱাখল্লোনসু খেন্নফম থোক্তে খল্লি। মণিপুর খুন্নাইসিগী ওইরবদি চহী অমদা অনীরক/অহুল্লক্তি পুন্দুনা খন্ন-নৈনমীন্নবগী মফম অমা শেমদুনা থল্লগদি অচৌবা কান্নবা অমদি পীগনি। খোরিরোলগী ওইবদসু মালেমগী অতৈ লৈপাকশিংদা চঙশিল্লিবা থবক থৌরম থৌদাং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মোংবাহনবা লাইফমলেন : উমং লাই ৯গী মনুংদা লৈশেমঙৈদগী শাগোন্নরক্লবা অহকপা লাইফমলেননি



**কুমজা ১৭২৯গী হিয়াঙ্গৈগী ১১নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা হনুমান থাকুরগী লাইশঙ শাবা লোইদুনা লাংপা হৌরকখিবদগী 'মহাবলি' হায়দুনা খঙনরকখিবনি : নাওরোইবম ইন্দ্রমনি**

নোমিতা খোংবান্তবম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মীতৈশিংনা খাঙুথক্তগী লোয়নরকখিবা মপানগী লাইনীং লম্বেল অমগী মনুং চন্না হৌজিক ফাওবদা 'মহাবলি' হায়দুনা খঙনরক্লিবা সঞ্জেনথোংগীনা খা মায়কৈ অমসুং ইম্ফাল তুরেলগীনা নোংপোক থংবা তোর্বান্দা লৈরিবা মফম অসি মণিপুরগী উমং লাই ৯গী মনুং চনবা অমসুং লৈশেমঙৈদগী শাগোন্নরক্লবা অহকপা লাইফমলেননি হায়না স্কোলর নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিদা মহাক্না হায়, উমং লাই ৯গী মনুং চল্লিবা মোংবাহনবা লাইফমলেন অসি উমং ওইরগসু অরুবা-অহকপা লাইফমলেননি। উমং হায়রগা উ-ৱা ...মখা লামায় ৫ কলম ১

## এক্সিদেন্ট : লায়কন্নরকপা ১ য়াওনা ২ শিরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) : ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.০৫ রোম তারকপদা টিদ্দিম লম্বীগী কোদোমপোকপী লমখাইদা ইম্ফাল তম্না লাকপা গাড়ীমচা (সুজুকি এভেন্যু) এম এল-০৬/এস জি- ৪৫১৫ অমদা ত্রক আর জে-১৪/জি কে-৫৯৩৬না থোন্বদা গাড়ী মচা থৌরকখিবা মালোম তুলিয়াইমদগী খোইস্নাম রজিব (৩৫) অপোকপা রাজেন লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

অমরোমদা, থা অসিগী ৬কী অয়ূক্তা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী ফুন্দ্রে ক্রোসিংদা গাড়ী মচা থৌরকপা মীওই অমা কার অমনা থোন্বদগী শোক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা লায়কন্নরকখ্রবসু ঙরাং নুংথিল কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবগী মমিং ৱারেপ্পম সুনিল অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু মুক্তা কৌই, পাৎপান ময়ায় লৈকায়দগীনি হায়রি।

থৌদোক অনীমক্কী মতাংদা পুলিসনা তোঙান তোঙানবা কেসশিং লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথখ্রে হায়রি।

## ওজা অমা ওইনা অমসুং মপা অমগুম্না মহৈরোয়শিংবু নুংশিনা ৱারকখিবনি : সরতচন্দ্র

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : সঙাকপমদা লৈবা ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় নুপীমচা খরা স্কুল কেম্পস মনুংদা ফুবগী ভিদিও অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখিবা অদুগা মরী লৈননা মায়কৈ কয়াদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। নুমিৎ অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা ৱারী খঙদবনা লান্না লৌবসু ওইরম্বা য়াই অদুবু মহৈরোয়শিং অদু ওজা অমা ওইনা অমদি মপা অমগুম নুংশিনা ৱারকখিবনি হায়না ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেক্রেটরি পঙেজম সরতচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হিরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সরতচন্দ্রনা মখা তানা হায়, ক্লাস টুয়েল্বকী এগজাম মতম নকশিল্লকপগা মরী লৈননা স্কুল অসিদা রেসিদেন্সিয়েল ওইনা মহৈরোয় ৫০০ রোম লৈদুনা অকনবা মওংদা ওজাশিংনা তাকপী তম্বীবগী থবক চথরি। লৈরিবা মহৈরোয়শিং অসিসু হান্না লৈরম্বা চাংদগী ফিভম কা হেন্না ফগৎলকপগা লোয়ননা পোজিসন হোল্ডর ওইরকপা য়াবগী ফিভমদা লাকপা উবদা মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা থা অসিগী ৫ দা এৱার্দ সিরিমোনিগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অফবা মহৈরোয়শিং মনা পীবা লোইরবা মতুং তরু তনানবদা য়ুম্ফম ওইবা মনা অমসু পীখি। লুবা নানবা হায়বসিসু এদ্যুকেসনগী শরুক অমনি খন্দুনা রেসিদেন্সিয়েল ওইনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা লৈরিবা কাশিং অদুদগী খ্বাইদগী হেন্না নানবা কা ৫/৫ ...মখা লামায় ৩ কলম...

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Political Party singgi meehutsingna chaokhat thourang khanabada yeknabagum lounarakpa achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Manipurda PMGSYgi lambi semnaba sellsing contractorsingna lanna louthokpham oirabra haibasi leingakna thijinpham thoktabra?

Yes 83% No 17%

**অস! লোইরেহে!**

- ঐগী ইচানুপাদু ঈং তপ্পী।



- ঈং তপ্পদি হৌজিক মতমদা করম্না হিংদৌরি!

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫